**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ইদুল ফিটরগী থৌরম ঙসি মণিপুরদসু ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়ান্নবগা লোয়ননা পাঙথোকখি।

২) নুপীশিংগী মায়োক্তা চখবা হিংশাগী থবকশিং থিংনবা মালেমগী নুমিৎ পালন ঙসি নোনেদা পাঙথোকখ্রে।

৩) মণিপুরদা শাবগী চাং তপা তপা হেনগৎলক্লি, ঙসি জিরিবামদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩৯ য়ৌনা শাখি।

৪) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা লৈবাক অসিগী হকশেলগী মচাক মথুমশিং শিংথানিঙাই ওইনা শেমগৎলক্লি।

অমসুং

৫) পঞ্জাব পুলিসনা ভারত-পাকিস্তান অমসুং আমেরিকা য়ৌনা ড্রগ লল্লোনবা অমৃটসর মচা অমদগী হিরোইন কিলোগ্রাম ১৫ ফাগৎলে।

------

ইদ (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ইদুল ফিটরগী থৌরম ঙসি মণিপুরদসু পাঙথোকখি। কুম্মৈ অসি পাক শন্না পাঙথোকখি। থা অমা চুপা রামজানগী চরা হেল্লবা মতুংদা পাঙথোকপা ইদুল ফিটরগী থৌরম, ধর্ম্ম চৎনবী

অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী মীতৈ পাঙলশিংনা খুন্দাবা মফমশিং অমসুং মসজিদশিংদা মপুবু থাগৎতুনা লাইশোল থৌরমশিং পাঙথোক খি। তুংদা মখোয়গী মরী মতাশিং অমদি মরুপ মপাংশিংগী য়ুমদা চত্তুনা অমগা অমগা অঙান্বা খুদোলশিং পীনখি।

কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা ইম্ফালগী পাউনা বজারদা লৈবা সাদর বজার জামে মসজিদতা মসজিদ অসিগী পেস ইমাম মৌলানা জিয়াউদিননা লুচিংদুনা লাইশোল থৌরম পাঙথোকখি। মীওই লিশিং ২ রোমনা শরুক য়াখিবা লাই খুরুম্বগী থৌরম অদুদা অহল্লাহগী মফমদা পাপশিং ঙাকপীনবা হায়জবগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা শান্তি, নুংশি চান্নবা অমসুং চাওখৎপা পুরকবা মপুগী মফমদা থৌনিখি। ইদুল ফিটরগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালদা সদর বজার জামে মসজিদকী নৈয়ব ইমাম মৌলানা খুরসিদ আহমেদনা অসুমা ফোংদোক্লি।

ডে (এল)ঃ মালেমগী নুপীশিংগী মায়োক্তা চথুবা হিংশাগী থবকশিং মুখৎপা নুমিৎ পালন ঙসি নোনে পি.ঐচ.সিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। পালন থৌরম অসি নুপী অমসুং নুপীমচাশিংগী মায়োক্তা চথুবা হিংশাগী থবকশিং অমদি মসি মীয়াম চংদুনা থিংনবগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংখিবশিংনা নুপী অমসুং নুপীমচাশিংগী মথক্তা হিংশাগী থবক চথুবগী থৌওংশিং হেনগৎলকপদা নুংনাংবা ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা রোংমৈ নাগা লু ফুম মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট, নোনেগী দিষ্ট্রিক্ট লেপ্রোসি ওফিসার অমসুং নোনে পি.ঐচ.সিগী এম.ও ইনচার্জনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ত্রেনিং(এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী গমফাজোল ব্লোকতা লৈবা প্রাইমারি হেলথ সেন্তরগী সি.ঐচ.ও, এ.এন.এম অমসুং আশা ৱার্করশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি গামোম সপরমৈনাগী হোলদা পাঙথোকখ্রে। ত্রেনিং অসি মরুওইনা, অমগা অমগা শোকা শমবদা লৌনদবা লায়নাশিংনা নারবা মীওইশিং খঙদোকপা ঙমবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। দিষ্ট্রিক্ট এন.সি.দি সেল,

দি.ঐচ.এস কাংপোকপীনা শিন্দুনা পাঙথোকপা ত্রেনিং অদুদা সাইতু গমফাজোলগী অকোইবদা লৈবা এন.ঐচ.এম, সি.ঐচ.ও অমদি আশা ৱার্করশিংনা শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং ইজ্‌কেসনেল ট্রষ্টনা ক্লাস আইট তল্লিবা মহৈরোইশিংগী জিলা থাক্কী ওইনা ওপন অমদি সরকারগী স্কুল হায়না কাংলুপ অনি থোকা খায়দোক্তুনা চহি খুদিংগী পীবা কেস স্কোলারসিপ এৱার্দতা মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদু জে.আর.দি. পাটসিকরস একাদমি ককচিংগী ওদিতোরিয়ামদা পাঙথোকখিবনি।

সরকারগী স্কুলগী কাংলুপ্তা মহৈরোই অহুমদা মনা পীখি। ওপনগী কাংলুপ্তসু মহৈরোই অহুম খনগৎতুনা মনা পীখি।

জিরি (এল)ঃ মণিপুরদা নিংথম থাগী মতম তপা তপা লোইশিল্লকপগা লোয়ননা শাবগী চাংসু তপা তপা হেনগৎলক্লি। নোংঙাল্লমদাই অমসুং অয়ুক্কী মতমদা খরা খরা ইংলবসু নুংথিলগী মতমদদি চপ চানা শারে। তম্পাক্কী জিলাশিংদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩০ গী মথক্তা লৈরে। উখ্রুল অমদি তমেংলোং জিলাদদি সেলসিয়স দিগ্রি ৩০ গী মখাদা লৈরি। অদুমওইনমক, অসামগী বরাক তম্পাক্তা তাইননা লৈরিবা মণিপুরগী ঙমখৈ জিলা জিরিবামদদি ঙসি সেলসিয়স দিগ্রি ৩৯ গী চাং য়ৌনা শাখি।

সিপিআই (এল)ঃ শিংজমৈ অমসুং ৱাংখৈদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৩৫ শুবা সি.পি.আইগী লোকেল কনফরেন্সনা মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকবা তকশিল্লি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা সি.পি.আই লুচিংবা এন. সোতিন কুমারনা হায়- রাজ্য অসিগী মীয়ামগীদমক খন দুনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌরবদি ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনফম থোকই। রাজ্য অসিদগী মীতোপশিং খান্দোক্ত্রিবা ফাওবা মণিপুরদা দিলিমিতেসন তৌবা য়ারোই হায়নসু মহাকা মখা তানা তকশিনখি।

ব্রার্কসোপ (এল)ঃ সঙ্গিৎ নাটক একাদমিগী মখাদা পিশুমথোং ওইনাম লৈকাইদা লৈবা কোস্মো পোলিতান কলচরেল ইন্সটিট্যুটনা শিন্দুনা বসন্ত রাসকী মতাংদা নুমিৎ ১৫ নি চুপা চথরকপা ব্রার্কসোপ কম প্রদক্সন ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা সঙ্গিৎ নাটক একাদমিগী মনা ফংখ্রবশিং ফানজোবম ইবোতোন সিংহ অমসুং য়ুমাম সদানন্দ সিংহ য়াওনা কলা সংস্কৃতিগী লমদা শকাইরবা মীওইবা কয়া শরুক য়াখি।

সাহ ঃগৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকারনা হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা লৈবাক অসিগী হকশেলগী মচাক মথুমশিং শিংথানিঙাই ওইনা শেমগৎলক্লি।

হরিয়ানাদা ঙসি মহারাজা আগাসেন মেদিকেল কলেজদা শাবা মহারাজা আগ্রাসেনগী মীতম মায়খুম হাংদোকপগা লোয়ননা কলেজ অসিগী আই.সি.য়ু ব্লোক শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী সাহনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা গৃহ মন্ত্রিনা কলেজ অসিগী নৌনা শাগদবা পি.জি. হোষ্টেলগী উরেপ উয়ুংসু তমখি।

মহাকা হায়- কুমজা ২০১৩-১৪ দা কেন্দ্র সরকারনা হকশেলগী লমদা লুপা কোতি লিশিং ৩৭ থাদখি। অদুবু চৎলিবা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ অসিদদি হকশেলগী লমদা কেন্দ্রগী বজেৎতা লুপা কোতি লাখ ১ লিশিং ৩৭ হাপ্লে।

স্কিম ঃ কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগী ওইবা য়ুনিফাইদ পেন্সন স্কিম (য়ু.পি.এস) হয়েংদগী চৎনবা হৌরগনি। কেন্দ্র সরকারনা নেসনেল পেন্সন স্কিম (এন.পি.এস)কী মখাদা লৌখৎলকপা থৌরাং অমা ওইনা স্কিম অসি হৌদোকখিবনি। পেন্সন ফন্দ রিগুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিতি (পি.এফ.আর.দি.এ)না স্কিম অসিগী ওইবা নিয়মশিং খঙহনখিবা লৈরে। নিয়ম অসিগী মতুংইন্না কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারিশিং কাংলুপ অহুম থোকা খায়দোকই। অহানবা কাংলুপ্তা এন.পি.এসকী মখাদা লৈবা অমসুং চহি অসিগী এপ্রিল ১ ফাওবদা থবক তৌরিবা কর্ম্মচারিশিং ওইগনি। অনিসুবা কাংলুপ্তা চহি

অসিগী এপ্রিল ১ ফাওবদা নৌনা কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারি ওইনা থবক চংবা অমসুং অহুমসুবা কাংলুপ্তা কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারি ওইনা থবক পুরম্লগা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা থবক্তুগী পোত্থাখিবা কর্ম্মচারিশিং ওইরি। পাউ অসিনা হায়- কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারি লাখ ২৩ রোম স্কিম অসিনা কান্নবা পীরগনি।

কোর্ট ঃ এল্লাহবাদ হাই কোর্টনা উত্তর প্রদেশকী জ্‌দিসিয়েল ওফিসার ৫৮২ ট্রান্সফর তৌখ্রে। থৌওং অসিনা উত্তর প্রদেশ সরকারগী লৈঙাক সাসনদা চাউনা অহোংবা অমা লাক্লগনি। ট্রান্সফর তৌখিবা ওফিসারশিং অদুগী মনুংদা এদ্দিসনেল দিষ্টিক্ট এন্দ সেসন্স জজশিং, সেনিয়র দিভিজনগী সিভিল জজশিং অমসুং জ্‌নিয়র দিভিজনগী সিভিল জজশিং য়াওরি। চহিগী ওইনা ট্রান্সফর তৌনবগী চেরোল অদু এল্লাহবাদ হাই কোর্টকী জোইন্ট রেজিষ্ট্রারনা থোকখিবনি। ট্রান্সফর তৌখ্রবা জজশিংনা মখোয় মখোয়গী পোষ্টিং মফমশিংদা খুদক্তুগী জোইন্ট তৌননবা খঙহনখ্রে।

পঞ্জাব ঃ পঞ্জাব পুলিসনা অমৃটসরদা লৈবা মীওই অমদগী হিরোইন কিলোগ্রাম ১৫ ফাগৎলে। ফারবা মীওই অসি পাকিস্তান অমসুং আমেরিকাদা লৈবা আইন কায়না ড্রগ লল্লোনবশিংগা মরী লৈনবা মীওইনি হায়রি।

পঞ্জাবতা রাজ্য সরকারনা য়ুধা নসেয়ান বিরুধা হায়বা কেম্পেন চখবা হৌরবা মতুংদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী য়ামা ড্রগ ফাগৎপনি হায়রি। পঞ্জাবগী দি.জি.পি গৌরব যাদবনা হায়- ফারবা মীওই অসিনা পাকিস্তানগী ঙমখৈগা নকনা লৈবা লৌবুকশিংদগী ড্রগশিং অসি পুরকপনি। হায়রিবা ড্রগশিং অসি পাকিস্তানলোমদগী মহাক্কা পুন্না থবক তৌমিন্নবা মীওইশিংনা দ্রোন শিজিন্নদুনা থাদরকপনি। ড্রগশিং অসি হৱালা চেন্নেলগী খুত্থাংদা আমেরিকাদা লৈবা ড্রগ লল্লোনবশিংদা অমুক থাবনি হায়রি। ফারবা মীওই অসিগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চখরি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা কাশ্মীরদগী কাত্রা ফাওবা চেনগদবা অহানবা বন্দে ভারত এক্সপ্রেস লাক্লিবা এপ্রিল ১৯ দা লমথারগনি। উধমপুর-শ্রীনাগর অমসুং বরামুল্লাহ ফাওদুনা কিলোমিতর ২৭২ শাংবা রেল লম্বী অসি শেম্বা লোইশিল্লকপগা লোয়ননা রেলগাড়ি অসি লমথানবা থৌরাং তৌরকপনি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি জিতেন্দ্র সিংহনা জম্মুদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা হায়- লাক্লিবা এপ্রিল ১৯ দা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি উধমপুরদা লাক্কনি। মহাকা মফম অদুদা শাবা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা রেলগাড়িগী থোং শঙ্গাগনি। মদুগী তুংদা মহাকা কাত্রাদগী বন্দে ভারত এক্সপ্রেস লমথাগনি। অহানবগী ওইনা কাত্রাদগী রেলগাড়ি অসি চেনবা হৌননবা জম্মুগী রেল ষ্টেসন শেমজিল্লি। রেলৱে প্রোজেক্ট অসি কুমজা ১৯৯৭ দগী হৌরকখিবনি। রেল গাড়ি অসিনা জম্মু অমসুং শ্রীনাগরগী মরক্তা চৎথোক চৎশিনগী মতম তেনশিন্দুনা মীয়ামদা খুদোংচাবশিং পীরগনি।

সিতারমন ঃ শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না নিতি এন.সি.এ.ই.আর ষ্টেটস ইকোনোমিক ফোরম পোর্তেল হয়েং নিউ দিল্লিদা হাংদোক্লগনি। পোর্তেল অসি নিতি আয়োগ অমসুং নেসনেল কাউন্সিল ওফ এপ্লাইদ ইকোনোমিক রিছার্স (এন.সি.এ.ই.আর)না খুৎশমনা পুথোকপনি।

পোর্তেল অসিদা চহি ৩০ গী ষ্টেট ফাইনান্সেসকী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ফোংদোরকপা ৱাফম, থিজিন হুমজিনবগী রিপোর্ট, সোসিয়েল ইকোনোমিক অমসুং ফিসকেল পেরামিতরশিং হাপচিনদুনা থম্বা য়াগনি। পোর্তেল অসি মরুওইনা শরুক মরি থোকা খায়দোকই। শরুক মরি অদুদি- ষ্টেট রিপোর্টস, দেটা রিপোজিটরি, ষ্টেট ফিসকেল এন্দ ইকোনোমিক দসবোর্দ অমসুং রিছার্স এন্দ কম্মেন্টরিনি।

পতেল ঃ কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বালগী রাজ্য মন্ত্রি অনপ্রিয়া এস পতেলনা হায়রি-অয়ুসমান ভারত স্কিমগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা লৈবরিবা নুপী মিলিয়ন ১৫০ রোমদা ব্রেষ্ট কন্সরগী স্ক্রিনিং পাঙথোকপা

ঙমল্লে। লোয়ননা, সরকার অসিনসু লৈবাক অসিদা ব্রেষ্ট কেন্সরনা নাবগী চাং হন্থহন্নবা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

ব্রেষ্ট ইমেজিং সোসাইতি ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা মিদ টার্ম বিসিকোন-২০২৫ গী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক শিনবা থুংবদা কেন্সর ডে কেয়ার সেন্তর ২০০ হাংদোকখ্রে। হকচাং ফনা লৈবা, মতম চানা ইশাগী অনাবশিং খঙদোকপা অমসুং লায়েংথোকপনা ব্রেষ্ট কেন্সরনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী পুন্সি মাংহনগদবদগী কনবা ঙমগনি। মহাকা হায়- লায়না অসিগী মতাংদা পুন্না খঙমিন্নবা ৱাৎপনা ঙসিদি লায়না অসি নাবা মীগী মশিং হেনগৎলক্লি। চহি খুদিংগী ওইনা কেন্সরনা নাবা মীওই লাখ ১৪ রোমগী মনুংদা লাখ ২ রোমদি ব্রেষ্ট কেন্সর ওইরি।

এন.দি.আর.এফঃকেন্দ্রগী মপাল থৌরম মন্ত্রালয়না হায়রি-এন.দি.আর.এফনা ম্যান্মারগী ‘উ হলা থৈন’ মোনাস্ত্রিদা রেস্ক্যু ওপরেসনগী থবক চথুরি। মফম অদুদা চাউরাকা লম্বোইবা ১৭০ রোম থোরকপা ঙমদনা লৈরি। মন্ত্রালয়না হায়-আর্মি কাংবু অসিনা ঙসি অশোকপশিং লৈরিবা হোস্পিতালশিংদা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনগনি। লোইননা, মখোয়গী মাইকৈদগী অনা-লায়েংগী থবক পায়খৎকনি। ওপরেসন ব্রহ্মাগী মখাদা মথোল ১১ লৈবা তৱার মরি নিংখাইখিবা স্কাই ভিল্লাদা মীথিবগী থবক পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি। মসিগীসু মথক্তা মোনাস্ত্রিগী মমাঙদা লৈরিবা লম্বোইবা লিশিং ২ হেনবদসু মহা নায়ক কম্মিতিগী মাইকৈদগী তোংবাং পোৎলমশিং পীনবা হোৎনরি। লোইননা, লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংদসু লৈফম চাফম য়াওনা পীবা য়াবা মতেং পীরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পালো (এল)ঃ ইম্ফাল রাইদিং পোলো ক্লব লমফেলনা অহুমশুবা চিতামোহিনি ষ্টেট ৱিমেন্স পোলো কপ-২০২৫ গী ৱিন্নর ওইরে।

মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন, ইম্ফালনা শিনদুনা

পাঙথোকপা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ইম্ফাল রাইদিং পোলো ক্লব লমফেলনা অসাম রাইফলস ৱিমেন পোলো টিমবু পাঞ্জল ৭-৬ তা থোইদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

কাং (এল)ঃ অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-নম্বোলনা খুন্দ্রাকপমবু পাঞ্জল ২৪-১০ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.সি.সি ৱাংখৈনা য়ু.সি.সি উরিপোকপু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা রিস নাগামপালনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু ললাম্বুং মখোঙবু রন ৪৫ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ চহি ১৭ মখাগী ১৫ শুবা লোক্তাক ট্রোফি তুরনামেন্টকী ঙসি মোইরাং হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা জি.দি.সি অমসুং টাইদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা চহি ৬ তগী ১২ ফাওবগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী অম্ফা ব্লু কপস ২০২৫-২৬ লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ এপ্রিল ১২ দগী হৌরগনি।

ক্রিকেট (এল)ঃ ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিগ ক্রিকেটতা ঙসি মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা কোলকাতা নাইট রাইদরসকা মুম্বাইগী ৱাংখরে ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। মেটচ অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দগী হৌগনি।

------